# লৈঙাক্কী এল পি জি সবসিদি পীবগী অনৌবা থৌশিলনা লুপা ক্রোর লিশিং ২১ কনবা ঙম্লে



*ন্যু দিল্লি, মে ৪ঃ*

লিক্যুইট পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল পি জি) সবসিদি পীবগী লৈঙাক্কী অনৌবা থৌশিলনা অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর লিশিং ২১ কনবা ঙম্লে। বেঙ্ক একাউন্টকী খুথাংদা তঙাইফদবা মীওইশিংদা সবসিদি পীবা অদুনা সাশিন্নবা অমসুং অতোপ্পদা থৈদোকখিবা য়াবা ফিভমদগী কনবা ঙম্লে হায়না ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দর প্রধাননা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক অসিনা ইং ২০১৪গী নভেম্বর থাদগী খুচোংবা ফংগবা মীওইশিংগী একাউন্টতা হকথেংননা সবসিদি পীবগী থৌশিল অদু চৎনহনবা হৌখি। মখা তানা ইং ২০১৫গী জনুৱারি থাদগীদি লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা থৌশিল অদু পায়খৎখি।

ইং ২০১৫গী এপ্রিল ১দা এল পি জি কঞ্জুম্মর ক্রোর ১৮.১৯ রেজিষ্টার তৌখি। মমাঙদা শাশিন্নবা কঞ্জুম্মর ক্রোর ৩.৩৪ লৈরম্বদগী লাকশিনবা ঙমদুনা লৈঙাক্কী শেনফম কয়া কনবা ঙম্লে।

ইং ২০১৪–১৫গী ফিসকেল ইয়ারদা শাশিন্নবা কঞ্জুম্মরশিং লাকশিনবা ঙমখি। ন্যু দিল্লিদা হন্থবা মমলদা এল পি জি ফংহনবগী মতাংদা সেমিনার অমসু পাঙথোকখিবা লৈখি।

ইং ২০১৫–১৬তদি লুপা ক্রোর কয়া কনবা ঙম্লে। মমাঙগী ফিসকেল ইয়ারদা ওইখিবা চাং অদুদগী শাশিন্নবা মীওইশিংনা লৌখিগদবা সবসিদি অদু হন্থহনবা ঙমখি।

সিলিন্দর অমদা লুপা ৩৬৬কী সবসিদি ইং ২০১৪–১৫দা চাং চৎ ওইনা চপ চাবা মীওইশিংদা ফংহনখি। কঞ্জুম্মরশিংগী একাউন্টকী খুথাংদা হন্থবা মমলদা চহী অমদা সিলিন্দর ১২ ফংহল্লি। মদু হান্না লৈরম্বা কঞ্জুম্মর ৩.৩৪দগী হন্থহনদুনা শেনফমশিং অদু কনবা ঙমখিবনি।

মথংগী চহীশিংদদি চাংচৎ ওইনা সবসিদি পীবগী চাং অদু হন্থহনবা ঙম্লে। অদুম ওইনমক ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দর প্রধাননা হৌজিক লৈরিবা চপ চাবা সবসিদিগী মশিংদি ফোঙদোকখিদে হায়রি।

# নোংপোক থংবা দি আর কোঙ্গোগী খুঙ্গং অমদা লান্দারকপদগী খুঞ্জা ১৬ শীরে

*কিনসাসা, মে ৪ঃ*

দিমোক্রেটিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গোগী নোংপোক থংবা ইরাং লৈরিবা খুঙ্গং অমদা মচিন তুম্না থাং অমসুং শিঙজং পায়দুনা এটেক চথরকখিবশিংনা য়ামদ্রবদা খুঞ্জা ১৬ হাৎখ্রে হায়না য়ু এন অমসুং লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

লোকেল এদমিনিষ্ট্রেটর বরনার্দ অমিসে কালোংলানা ফোঙদোরকখিবদা থাংজ নুমিৎকী অথেংবা নুমিদাংদা নোংর্থ কিভু প্রোভিন্সকী বেনি লমদমদা তমথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

হৌখিবা মতম কয়াদসু লমদম অদুদা পাক শন্না মীশি মীনা থোকখিবা লৈখ্রে। গ্রিন হ্বাইসকী মিন টাইমগী পুং ১৯০০ চৎপদা য়েক্রবশিংনা লান্মীগী পোষ্ট লাম্থোক্তুনা ইংনা চিক্না লৈজরিবা খুঙ্গং অদুদা লান্দাদুনা মীওই কয়া মঙক লেম্থৎতুনা হাৎলি।

মচিন তুম্বা থাং নৎত্রগা শিঙজংনা হায়ৎলম্বা হকচাং ১৬ তাদুনা লৈরম্বা থেংনরে। এটেক চথরকখিবা মীওইশিং অদু উগন্দাগী রিবেলশিং ওইব্রা হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদে। উগন্দগী এলাইট দিমোক্রেটিক ফোর্স (এ টি এফ) লমদম অদুদা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবনি হায়রি।

লমগী ৱাহৌদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লবা কাংলুপশিংগী মরক্তা মতম শাংনা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক্লদুনা লাকখি। লমদম অদুগী মরুওইবা মহৌশাগী পোথোকশিং মুন্নবদা শক্তি উৎথোক্লবগী ফিভম অমা লৈরি।

নুমিদাংগী পুং ৮ লোম তাবদা মীওই কয়ানা কিনা লাউবা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি হায়না খুঙ্গং অদুগী লুচিংবা অদোনা লেসিনা ফোঙদোরক্লি।

জেনরেল জিন বাইলুট কৌবা দি আর কোঙ্গোদা লৈবা য়ু এন মিসনগী মকোকনা ফোঙদোরকখিবদদি খুঙ্গং অদুদা মীওই ১৭ শীহনখ্রে হায়রি।

এ টি এফ রিবেলশিংনা বেনিদা লৈবা খুঞ্জাশিংদা এটেক অদু চথখিবনি হায়বগী চিংনবা লৈ। ইং ২০১৪দগী লমদম অদুদা লৈবা মীওই ৫০০ লোম শীহনখিবা লৈখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

এ টি এফ রিবেলশিংনা উগন্দাগী প্রসিদেন্ট য়োৱেরি মুসেভেনিগী মায়োক্তা চহী ২০গী মমাঙদগী লাল হৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।



*দি আর কোঙ্গোদা খুঞ্জা ১৬ হাৎখ্রবা মতুং সিক্যুরিটিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা*

# নোর্থ ইষ্টকী হায়কোর্টশিংদা জজ মশীং ৱাৎলি ঃ লো মিনিষ্টর

*অগরটলা, মে ৪ঃ*

অৱাং নোংপোক্কী হায়কোর্ট মঙাগী মনুংদা ৩দি থবক তৌগদবা জজগী মশীং ওইফম থোকপা চাং দগী হন্থনা লৈ হায়না য়ুনিয়ন লো মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না গুৱাহাতি, সিক্কিম, মণিপুর, মেঘলয়া অমসুং ত্রিপুরাগী হায়কোর্টশিংদা জজ মশীং ৪০ লৈগদবদা ২৭ খক্তংমক লৈরি। য়ুনিয় লো মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল ওইবা চে–চাংগী মতুং ইন্না লমদমশিং অদুদা গুৱাহাতি হায়কোর্টনা অসাম, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং অরুনাচলপ্রদেশকী মফমশিংদা থবক তৌরি।

জজ ২৪ লৈগদবগী মায়োক্তা য়াম্না হন্থবা চাংদা লৈরি। মেঘলয়া হায়কোর্টতা হৌজিক হৌজিক জজ ৪ লৈগদবদা অনী খক্তনা মথৌ তৌরি। সিক্কিম হায়কোর্টতা জজ ৩ লৈগদবগী মনুংদা অনীখক্তমক লৈরি। ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর হায়কোর্টতা লৈফম থোকপা জজ মশিংদগী হন্থনা লৈরি।

অরুনাচল, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামদদা তোঙানবা হায়কোর্ট লিংবা লৈত্রি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা তঙাইফদনা শেমগৎফম থোকপা ইনফ্রাষ্টকচরশিং শেমগৎপা ঙমদ্রি।

মপুং ওইনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী হায়কোর্টতা লৈফম থোকপা জজ মশীংদগী হন্থনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা কেস কয়া পন্থদুনা লৈরি। ফিভম অসি য়েংলগা অৱাং নোংপোক্তা তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্টকচরশিং শেমগৎপা তঙাই ফদে হায়না লো মিনিষ্টর প্রকাস জবাদেকরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



*য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর প্রকাস জবাদেকর*

# বি জে পি লৈঙাক্না অসামদা কাংলুপ মশেল নুংশিননা লৈবদা অকায়বা পীরবা য়াই

*গুৱাহাতি, মে ৪ঃ*

গুৱাহাতি বাবটিষ্ট চর্চকী পাষ্টর আজি–উল হকনা ফোঙদোরকখিবদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না করিগুম্বা ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রক্লবদি লমদম অদুদা কাংলুপ মশেল নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবদা অকায়বা থোকহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ফিরেপ ফোঙদোক্লদুনা লুচিংবা অদুনা হায়, সুব্রামনিয়ম স্বামী, সাধবি প্রাচি অমসুং য়োগি অদিত্যনাথনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা কীহন খঙহনবা কয়া থোকহল্লি।

অসামদা করিগুম্বা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবদি কাংলপু মশেলগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোহল্লকপা য়াই হায়খি।

পাষ্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাককী ফিরেপকা খেৎনবা লৈগনি। মাইনোরিটি কাংবুশিংনা ইং ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা বি জে পিদা ভোট থাদখি। মদু কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এগী লৈঙাক খিরকপদগীনি। অইবা অমসু ওইরিবা লুচিংবা অদুনা হায়, অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিংদা ধর্ম্মগী খেৎনবা লৈতনা কাংলুপ খুদিংমক নুংশিন্নবা লৈমীন্নরকই।

লমদম অসিদা লৈরিবা নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবগী ফিভম অসি ইনিদয়া অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংদা তমজগদবনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা অসাম এসেমব্লী মীখলদা ভোটর চাদ ৮২.২১ থোক্লক্তুনা ভোট থাদখি।

অদুম ওইনমক অসামগী চীফ মিনিষ্টর তরুন গোগোয়না মীখলগা মরী লৈনবা আইন থুগাই হায়বগী মতাংদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখিবা থেংনখ্রে। তরুন গোগোয়গী মরিরকশুবা টার্ম মনুং চন্না অসামগী মীখল অদু থেংনখিবনি।

বি জে পিগী ওইনা সরবানন্দা সোনোৱাল ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মীরেপনি হায়না লাউথোক্তুনা ষ্টেট অদুদা ভোট খোমখি হায়রি।

# সিরিয়া ৱাথোক ঃ

# এলেপ্পোগী লানফমদা মীওই কয়া শীরে

*এলেপ্পো, মে ৪ঃ*

অনীথোক্পা খায়দোক্লবা সিরিয়াগী এলেপ্পো সহরদা রিবেল অমসুং লৈঙাক্কী লান্মীশিংগা খূৎ থোক্লবদা মীচম কয়া শীহনখ্রে। সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরকখিবদা ঙরাং অহিং সরকারগী লান্মীনা খুদুম চনবা লমদম অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা রিবেলশিংনা অকনবা মওংদা লান্দারকখি।

চহী ১গী মমাঙদগী হৌনা এলেপ্পোদা অকনবা লাল শোক্লদুনা লাক্লি। রসিয়াগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবদা জিহাদি মিলিটেন্টশিংনা লমদম অদুদা মতম খরগী ওইনা থাজনবা অমসুং শান্তি থম্নবা হোৎনবগী থৌশিলদা য়েখায় থিনগাইবা পীরি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাং লোই ইগোর কোনাসেনকোফনা ফোঙদোরকখিবদা লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবা ফাওবদদি এলেপ্পোদা শান্তি লৈখি। অদুম ওইনমক অথেংবদদি সরকারগী লান্মীশিংনা খুদুম চনবা মফমশিংদা অল–কায়দাগা খুৎশম্নবা অল–নুসরা ফ্রন্টনা অকনবা এটেক চথরকখি।

চৈরকসিদা এক্টিবিষ্টশিংনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা লৈঙাক্কী লালগী প্লেনশিংনা লমদম অদুদা এয়ারষ্ট্রাই ২০ লোম চথখি। মমাঙগী চয়োল অনীদা এলেপ্পোদা থোক্লখিবা অকনবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই ৩০০ শীহনখ্রে।

য়ুএস অমসুং রসিয়ানা ফেব্রুৱারি থাদা শান্তি থম্নবা পায়খৎখিবা থৌশিল কায়খি। চুংশিন্নবা রিবেল কাংবুশিংনা ফতাহলাপ হায়বা বেন্নরগী মখাদা লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা এটেক চথরি।

অহিং চুপ্পা এয়ারষ্ট্রাইক চথবা, আরটিলরি অমসুং নোংমৈ মখোলনা নিলখি। হৌজিকসু লমদম অদুদা মখা তানা খূৎ থোক্লরি। খূৎ থোক্লখিবা ফল করি ওইরক্লদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# টলিবান ১১ শীবগী দন্দি পীননবা পাকিস্তান লান্মী মকোক্না সাইন তৌখ্রে

*ইস্লামবাদ, মে ৪ঃ*

পাকিস্তান লান্মীগী মকোক্না টেরোরিজমগী থবক চথবা, মী ফাবা, মীচমশিংদা ওৎ–নৈবদা চেন্নবা টালিবানগী মেম্বর ১১ শীবগী দন্দি পীননবা সাইন তৌখ্রে।

মীওই ১১গী কেস অদু মিলিটরি কোর্টনা ক্লোজ দোরদা ত্রাইয়েল চথখি। পাকিস্তাননা টেরোরিজমগা মরী লৈনবা কেসশিং মিলিটরি কোর্টনা ত্রাইয়েল চথবা হৌখ্রবনি।

মিলিটরি কোর্ট অদুনা চপ চানা মরাল লৈ খঙলবা মীওইশিংগী দন্দি পীবগী থবক চথরি। পাকিস্তান লান্মীগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না জেন্নরেল রাহিল সরিফনা টলিবান ১১ শীবগী দন্দি পীবা য়ারে হায়না সাইন তৌখ্রে।

মীওই ১১ অদু করম্বা মতমদা হাৎকদগে নৎত্রগা মীওইশিং অদুনা মখা তানা অপিল তৌবগী হক লৈরিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। শীবগী দন্দি পীখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা মরীদি মশক মমিং খঙবা ঙম্লে হায়রি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-585**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 6 | | | 8 | | |
| | | | | | 2 | 3 | | |
| | 7 | 5 | | | 4 | | | |
| | | | 9 | 4 | | 5 | | |
| 5 | | 2 | | 3 | | | 9 | |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 2 | | | 3 | 8 |
| | | | | 7 | 9 | 6 | 8 | 4 |
| 7 | | | 8 | | | | 5 | 3 |
| | | | | | | 9 | | 1 |

**সনা–সুদোকু– ৫৮৪ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 4 | 8 | 2 | 7 | 6 | 1 | 3 | 5 |
| 7 | 5 | 1 | 4 | 3 | 9 | 6 | 2 | 8 |
| 2 | 6 | 3 | 5 | 8 | 1 | 7 | 9 | 4 |
| 8 | 9 | 6 | 7 | 4 | 3 | 5 | 1 | 2 |
| 1 | 2 | 5 | 9 | 6 | 8 | 4 | 7 | 3 |
| 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 2 | 8 | 6 | 9 |
| 4 | 3 | 7 | 6 | 9 | 5 | 2 | 8 | 1 |
| 5 | 8 | 2 | 3 | 1 | 7 | 9 | 4 | 6 |
| 6 | 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 3 | 5 | 7 |

# জয়স–ই মুহম্মদ ১২ ফারে

*ন্যু দিল্লি, মে ৪ঃ*

দিল্লি অমসুং উট্টরপ্রদেশতগী আইননা থিংখ্রবা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা জয়স–ই–মুহম্মদ (জে ই এম) টেরোরিষ্ট সিম্পেথাইজর ১২ ফারে হায়না দিল্লি পুলিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

জে ই এমগী থবক তৌবনি হায়বা মীওই ১২ দিল্লি অমসুং উট্টরপ্রদেশতগী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদগী মীওই অমনা ইম্প্রুভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইজ (আই ই দি) লোৎশিলম্বা থেংনখি হায়না স্পিসিয়েল কম্মিস্নার ওফ পুলিস আরবিন দিপনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

টেরোরিষ্টনি চিংনবা মীওইশিং অদু চহী ৩০গী মখাদা লৈবা মীওইশিংনি। মখোয়গী মনুংদা খরদি দিল্লিদা তং তানা লৈবা মীওইশিংনি। অদুগা খরনা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট উট্টরপ্রদেশতা লৈবনি হায়রি।

পুলিসনা চপ চাবা থবক পায়খৎতুনা থি–হুম্বগী থবক চথবদা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট কাংলূপ অদুগী থবক তৌবা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

# কটকতা দায়রিয়া শন্দোরক্লে

*কটক, মে ৪ঃ*

কটককী জগনাথ কোলোনি অমসুং খাননগরগী নাউসাহিদা হৌখিবা নুমিৎ ৩নিদগী দায়রিয়া লায়না শন্দোরকপা থেংনখি। লায়না অদুনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা মীওই ৩০ রোম শোকহনখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না জগনাথ কোলোনিদা মীওই ১২ নারে। অদুগা অতোপ্পা মীওই ২৫না লায়েংবগী থবক চথরি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা লায়না অদু শন্দোরকখিবনি। অদুম ওইনমক কটক ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননদি চপ চানা কনফার্ম তৌদ্রি হায়রি।

লায়না অদু শন্দোরকখিবগী মরম লমদম অদুদা পীরিবা থক্লবা ঈশিং অদুনা ওইবা য়াই। পীরিবা ঈশিং অদুগী মচু ৱাওথাংনবগা লোয়ননা মনম চেল্লে। হায়রিবা ঈশিং অদু থক্পা চানবগীদমক্তুদি শাফবা ওইদ্রে হায়না জগনাথ কোলোনিদা লৈবা সুরেস দাস কৌবা অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা সিৱেরেজ অমসুং দ্রেনেস সিষ্টেম নৌনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরি। থক্লবা ঈশিং পুরিবা পাইপ লাইনশিং পায়খৎলিবা থবক অদুনা অমাং অতা থোকহনবনা মরম ওইরগা ঈশিংদা মোৎশিলহল্লম্বা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না জয়ন্তি সাহু কৌবা লমদম অদুদা লৈবা অতোপ্পা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা জোৱা লমদমদা জোন্দিষ্ট শন্দোরকখিবা লৈখি। অদুগা এপ্রিল থাদনা দায়রিয়া শন্দোরকপগী রিপোর্ট লাকখি। লমদম অদুদা লৈবা সিভিল ওর্গনাইজেসনশিং সহর অদুদা ঈশিংনা থোকহনবা লায়না কয়া পোকহল্লি হায়না মরাল শীরক্লি।

মমাঙ থাদা থক্লবা ঈশিং পুবা পাইপ লাইনশিং শেমজিনখ্রবা মতুং মদুগী কান্নফম খঙদে। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পাব্লিক হেল্থ এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং সেক্সননা ৱার্দ নম্বর ৪৫ অমসুং ৫০ শন্দোরক্লিবা লায়না অদু ঈশিংদগী পোকহনবনি হায়বদু য়াখিদে।

জগনাথ কোলোনিদগী ঈশিং সেম্পলশিং চাংয়েং তৌননবা থাখ্রে। ঈশিং অদুদা মোৎশিল্লি হায়বগী পাউ লৈতে হায়না পাব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি

চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা জগনাথ কোলোনিদা ঈশিং পীননবা ৱার্টর টেঙ্কর মরি থৌরাং তৌরে। মীয়াম্না ৱার্টর টেঙ্কিশিং অদুদা পীবা ঈশিং খক্তংমক শীজিন্ননবা খহনখ্রে হায়রি।

# প্রাইম মিনিষ্টরগী হাউসিং স্কিম পায়খৎনবা সহর ২,৫০৮ খনগৎলে ঃ নাইদু

*ন্যু দিল্লি, মে ৪ঃ*

প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনাগী মখাদা সহরগী লাইরবা মীওইশিংগী য়ুম শাবগী পায়খৎখিবা স্কিমনা ষ্টেট ২৬তা লৈবা সহর ২,৫০৮ খনগৎলে হায়না আরবান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এম বেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি লোক সভাগী ৱাহং পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি অৱান য়োজনা (পি এম এ ৱাই)গী গাইটদ লাইন মতুং ইন্না স্কিম অদুগী মখাদা শাগদৌরিবা য়ুমশিং অদু য়ুহার হাবা, ঈচাও, নোংলৈ নুংশিৎ অমদি লেন্দ স্লাইটতগী ঙাকথোক্লবা মওংদা দিজাইন তৌদুনা শাগদবনি।

নেসনেল বিল্ডিং কোর্দ অমসুং মরী লৈনবা ইন্দিয়ানা ষ্টেন্দার্ট কোদনচিংবশিং ঙাক্না পায়খৎকনি। মিসন অদুনা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা তোঙান–তোঙানবা জিও ক্লাইমেট জোনশিংদা থবক পায়খৎতুনা অমাং অতা থোক্লোইদবা অমসুং ইনভাইরোন্টমেন্ট ফ্রেনলি ওইবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নগনি।

লাক্লদৌরিবা চহী ৭তা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা সহরশিং য়ুম ক্রোর ২ শান্ননবা পান্দম থল্লি। ইং ২০১৫দগী পায়খৎপা হৌখিবা থৌশিল অদু ইং ২০২২দা মপুং ফানা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

স্কিম অদুগী মখাদা খুদোংচাবা ফংগদৌরিবা সহরগী মীওইশিং অদু লাইরবা অমসুং শেল–থুমগী ফিভম শোথরবা মীওইশিং ওইগদবনি। অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা নাইদুনা হায়, সহরদা লৈবা ময়ুম লৈজদবা মীওইশিংগী থৌশিল অদুগী কান্নবা অদু চপ চাবা মীওইশিংদা ফংহন্নবগী মরু ওইবা দাইত্ব ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা লৌগদবনি।


থৌশিল অদু পায়খৎপা অমসুং মখা তাবশিং লৌখৎপগী মতাংদদি মিনিষ্ট্রি ওফ হাউসিং আরবান প্রোবর্টি এলিভেসননা লৌগনি। স্কিম অদু ময়ুম লৈজদ্রবশিংগী লৈফম হায়না মমিং থোল্লি।

স্কিম অদুগী মখাদা দিন দয়াল অন্তো দয়া য়োজনাসু কোনশিনগনি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট কয়াগী সহরশিংদা অদুগুম্বা ময়ুম লৈজদবশিংগী য়ুম ৭৭০ শান্ননবা শেল কায়থোকখ্রে।

থৌসিল অদুগী মখাদা শাবা য়ুমশিংদা মীওই লিশিং কয়া চংজফম পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।



*আরবান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর এম বেঙ্কয়া নাইদু*

ADMISSION OPEN

SPOKEN ENGLISH + HINDI + COMPUTER

#Computer short term cources + free Internet

Seperate classes for Seniors & Juniors

Class Timing: Morning & Evening

8575839877

0385-2455725

FIRST TIME IN MANIPUR

Class starting from 15h Apr.

Home Visit Tutors also available

Details: RGi COMPUTER. Children's Ideal H/S, near Imphal College

GURUJI HOME TUTOR

SL/B/15 Alt Days

G- Ground
U- Understand
R- Revise
U- Use

For all classes,

Tutors are also enrolled

All Boards, councils, Entrance exams etc.

Tutors are well experienced and dynamics.

For details:

GURUJI HOME TUTOR

Children's Ideal High School, Near Imphal College

8575839877

0385-2455725